HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা মণিপুরদা এক্সপোর্ট ওরিয়েন্টেদ বিজিনেসশিং চাওখৎহন্নবগী মতাংদা হৌদোকখিবা ভানিয্য উটসবতা ময়ায় তাংবল লৌখিবা টেক্সটাইলস মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎতা বেজ থেৎপা

খোঙ হাম্বদা শংবা মসিগী খুদোংথীবশিং অমদি মসিবু থাদোক্লবগী পাম্বৈশিং
☛ লামায় ২

সী এম বঙ্গলোদা বোম লংশিনবদা চেন্নবা ফারে : পুলিস
☛ লামায় ৩

সেন্দ্রাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অস্বনিকুমারনা উ চারা থাখ্রে
☛ লামায় ৫

বরাক ব্রিজ ওক্টোবর থাদা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা শীন্নরগনি
☛ লামায় ৬

এমসু, অমকিল অমসুং য়ু পি এফনা শীন্দুনা মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্টগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 45, Issue No. 177 | য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, September 22, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## দলিট সাহিত্যগী মনা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২৮দা দলিট সাহিত্য একাদেমি, মণিপুরনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্কদবা ১২৫শুবা ইরাবতকী নীংশিং থৌরমদা ডা. এম নরদা মালেম লুচিং থৌবু, চনা লুখোইদা পোইরে খোরিরোল পুরেল, আর কে জ য়ম্নাদা পোইরে শাথৌবা, নিংথৌজম তোম্বা মৈতৈদা পোইরে লময়ানবা পুরেল অমসুং ৰাংখেমচা শ্যামজাইদা পোইরে পাউজেল লুচিং মীংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নগনি হায়রি।

## ত্রকতা কাপশিল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): থা অসিগী ১৯গী নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা দিমাপুরদগী পোৎ চিংলকখিবা ত্রক এন এল-০১-এ দি-২২৭৩, ঐচ আর-৩৯-বি- ৬১৯৫না কোহিমা মনাক্কী ঝরনাপানি অমদি মেটজি ফেমা য়ৌশিল্লকপদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিববু মণিপুর দ্রাইভর এসোসিএসন অমদি হায়ৰে ত্রক ওর্নরস ৰেলফ্যের এসোসিএসননা কন্দেম তৌরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা দিমাপুর ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমিৎতা 'মোদিগী অমাংবা শেংঙো য়েংগে' হায়বা ৰাফমশিং ফেসবুকতা পোষ্ট তৌরুবগী মায়োক্তা পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবা তাকয়েল খোংবান মনিং লৈকায়দগী নোংমাইথেম বোবোই (২২) অপোকপা এম সরতকুমার ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৰেষ্টনা মথং থাগী ৫ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

## ঙসিদগী থবক লেপ্পনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মতম অমদা এম এস পি দি সী এলগী মখাদা দেল্লি ৰেজেজ ওইনা লাইনমেন (জে টি এ) লৈরম্বা অদুগা হৌজিক্লা এম এস পি দি সী এলগী ক্বেস কম্পেনি লিমিটেদতা আউটসোর্স তৌদুনা থম্বীরবা লাইনমেনশিংনা মখা তানা থবক তৌররোই হায়রি। লোয়ননা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মখোয়বু লৌশিনবীদ্রবদি মখোয়গী থবকশিং লেপ্পগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৮৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৭৭°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১০.০৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.০৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১১

### HL Poll

Q: Lamyanba Hijam Irabot ningshing thabum manungda eikhoi pumnamakna mahakpu ekai khumnapham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meekhalga mari leinana pamdaba thoudoksing thoraktanaba meerep amasung leingakna hotnapham thoktabra?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

- মীখল হায়বসি করিনো, ইয়াম্বখোয়?



- থক্পী, চবী, ঙাওবী অসিনচিংববু মীখল কৌই।

# পুলিস মোদর্নাইজেসনগী লুপা ২১,২২,৩৭,৩১৭ শীজিন্নবা ঙমহৌদ্রবরা

## পাঙ্গেগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিবুনা কুম লায়না নাহন্দুনা থম্লব্রা



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) না মোদর্নাইজেসন ওফ পুলিস ফোর্সকী মখাদা পীরকখিবা শেনফমশিংগী মনুংদগী লুপা ২১,২২,৩৭,৩১৭কী য়াল্লবা শেনফম অমগী রি-ভেলিদেসন অমসুং ওথোরাইজেসন তৌহনবীনবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) কী মায়কৈদগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এদমিনিষ্ট্রেসন) না হোম দিপার্টমেন্টতা হায়জরম্বনা পুলিস মোদর্নাইজেসনগী য়াল্লবা শেনফম অসি শীজিন্নহৌদ্রব্রা হায়বগী ৰাহং থোরকপগা লোয়ননা পাঙ্গেদা লৈরিবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসিগী ফীভম হৌজিক ফাওবদা কুম লায়না নারবা মীওইদৌনা থম্লব্রা হায়বগী ৰাফমসু থোরক্লে।

আই জি পি (এ দি এম) না দি জি পি, মণিপুরগী মায়কৈদগী শেনফম অসিগী রি-ভেলিদেসনগা লোয়ননা ওথোরাইজেসনগীদমক অয়াবা পীবিনবা স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) দা অইবা চেরোল অমা জুলাই ২৬, ২০২১দা পীখিবনি।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা শেনবা চহী ২০২০-২১গী মনুংদা মোদর্নাইজেসন ওফ পুলিস ফোর্সেসকী মখাদা হেদ ওফ একাউন্ট : ০৭-৪০৫৫-০০-১১৫-২৫-০২-০-ভি-৫০গী মখাদা রিলিজ তৌরকপা শেনফমশিং ময়েক শেংনা পল্লি। হায়রিবা হেদ ওফ একাউন্টকী মখাদা এম ঐচ এনা রিলিজ তৌরকখ্রবনি হায়রিবা শেনফমশিং অদুনা এসিষ্টেন্স টু নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট ফোর স্পেসল প্রোজেক্টস/প্রোগ্রাম ফোর অপগ্রেদিং পুলিস ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটস, ইনভেষ্টিগেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুর কনবা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী কন্সটিট্যুসন, দেমোক্রেসি, সিক্যুলরিজম অমসুং ফেদরেলিজমগী লংলাশিং থদৎনবা হোৎনবা লেপত্রি : সোটিন



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী আর এস এসকী এজেন্দাশিং থবক্তা ওন্থোক্ল বা লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসন, দেমোক্রেসি, সেক্যুলারিজম অমসুং ফেদরেলিজমগী লংলাশিং থদৎনবা হোৎনবা লেপত্রি হায়না লন্নাই লোকেল কাউন্সিল সী পি আইনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা জননেতা ইরাবতনা মণিপুর কনখিবা নুমীৎকী ইরাবত মেমোরিএল হোল চল্লৌদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিননা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কুমজা ১৯৪৮কী সেপ্তেম্বর ২১দা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কন্নবগীদমক থেংনখিবা লানফম অদুদা লন্নাই মায়কৈগী মীওই লিশিং কয়ানা লৌখিবা থৌদাং অদুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবা ঙমখিবনি। ইহৌ অদুদা অশি-অনা য়াওখ্রবসু করিগুম্বা মদুগী ইহৌ অদু তৌরমদ্রবদি ঙসি মণিপুর হায়বসি লৈরমদনা পুর্ব্বাঞ্চল ষ্টেটকী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লৈরম্বা য়াবনি। থৌদোক অদুদা ও সী নরানবাবু লৈখিদে। অদুগুম্বা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কন্নবগী হৌরকখিবা ইহৌ অদুবু নমথনবা হায়দুনা মীওই কয়া ওৎ-নৈবিখিবদগী ইহৌ অদুদা য়াওখিবা মীওই কয়া থা খরগী মতুংদা লৈখিদবসু য়াওখি। ইহৌ অদুবু ইরাবতকী লুচিং মখাদা পাঙথোকপনি হায়বগীদমক ইরাবতপু ফানবা হোৎনরকপদগী মহাক মীরোৎ ওইনা লৈহনখি। ইরাবতকী লুচিং মখাদা পাঙথোকখিবা ইহৌ অদু য়াম্না চুম্বা ইমা লৈবাকপু কলহৌনবগীদমক হৌখিবা ইহৌ অমনি। মণিপুর হায়বসি ইরোল-ইয়েক লৈজবা, ফজরবা কলচর কয়ানা থল্লবা অমদি শান্নরোই কয়া লৈজবা লমদম অমনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুর্ব্বাঞ্চলদা পুনবা ঙল্লোই হায়না হৌখিবা ইহৌ অমনি।

ইরাবতকী লুচিং মখাদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনখিবা অদু ঙসিদি অমুক্কা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়শিল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ইরাবতনা পামজরম্বা অওনবা অমদি অনৌবা মণিপুর অমা পামজরম্বা অদু ঙসিদি তাইওন্নরক্লে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামশিং নোংম-নোংমগী অৰাবা অসুম-অসুম মায়োক্লবা হেনগৎলক্লি। পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙল্লক্তবদগী চারা অনী শুনা চাবা ফাওবা ঙমশিল্লক্তরে। লোয়ননা লমদম অসিগী তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা চৎকদৌরিবা লম্বী অসি অমন্বদা চৎপগী ফীভম অমদা লাক্লে। মরম অদুনা মণিপুর কনবা নুমীৎকী থৌরম অসিগা ইরোইননা নেসন ৰাইদ প্রোটেষ্ট ওইনা মণিপুরগী ওপোজিসন পার্টি ১১গা পুন্না মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাংদগী হৌনা পাঙথোকপা হৌরকখিবনি।

হৌজিক লৈবাক অসিদা লাউথোক্তবা ইমর্জেন্সি থম্বগুম্না মীচম মীয়ামদা নত্তনা লোমেকরশিংগী মচিন মেন্নবা হোৎনরক্লি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমশিং হৌখিবা পার্লিয়মেন্টকী নোংজু মীফমদা মীয়াম্না খঙবা ঙমখি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী শাফু মায়োক্লরবা মীয়ামগী অখন্নবা য়াইফ-থৌরাংশিং মচা খায়না খন্ননবা লোয়ননা মরুওইবা বিলশিং পাস তৌনবা ওপোজিসনগী লুচিংবশিংগা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা য়ানখিবা ৰাফমশিং হাউস অনীমক্কী প্রিসাইদিং ওফিসারশিংনা নাথৈদুনা থমখিবদু লৈবাক্কী পার্লিয়মেন্টরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## সেকেন্দ এম আরদগী নোংমৈ ৫৬ মাঙখিবগী এন আই এগী কেস

# য়ু কে এল এফকী চ্যেরমেন কোর্টতা সরেন্দর তৌরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা কুমজা ২০১৬তগী হৌরক্লগা ২০১৭কী অঙনবা শরুক ফাওবদা অনীশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী দি জি পুলগী আর্মস কোটতগী ৯ এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ হুরানখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা কেস এন আই এনা পায়রবা মতুংদা থৌদোক অসিদা চেন্নবদগী ফাননবা থিরকপদা মীরোৎ ওইখিবদগী 'প্রোক্লেমদ ওফেন্দর' নি হায়না ফাওবা লাউথোকখ্রবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ) কী চ্যেরমেন এন আই এগী স্পেসল কোর্টতা সরেন্দর তৌরক্লবা মতুংদা মেদিকেল গ্রাউন্দদা নুমিৎ ১১নিগী ইন্টরিম বেল লৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী কেস অদু অহানবদা মণিপুর পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা থিজিনবা হৌরক্লবা মতুং নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ), গুৱাহাটিদা মে ৩১, ২০১৮দা খৎশিন্নখিবনি। মসিদগী এজেন্সী অসিনা অপূনবা এক্যুইজ ১৩গী মথক্তা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথৱকখিবনি। অদুগা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টতা কেস অদুগী চার্জশীট থাগৎলক্লবা মতুংদা মসিগী সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট ফাওবা থাগৎলকখ্রবনি। অদুবু য়ু কে এল এফকী মশানা মশাবু চ্যেরমেননি হায়জবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবরোল ভিলেজদগী হৌজিক্লা হৈঙাং পি এসকী মনুং চন্না মন্ত্রিপুখ্রিগী মাইকোগা মায়োক্লবা মফমদা লৈরবা কেস অসিগী মরু ওইবা এক্যুইজ অমা ওইরিবা লুনখোসোন হাওকিপ এলিয়জ সোসোন এলিয়জ এস এস হাওকিপ কেস অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৬তা কোর্টতা সরেন্দর তৌরকখিবনি।

মহাক্না কোর্টতা চঙজরকখিবদা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা অইবা চেরোল অমসু পীশিল্লকখি। অদুম ওইনমক ঙসি কোর্টনা মহাক্কী মায়কৈদগী বেল প্রেয়র তৌরকখিবা অদু খন্ননবগীদমক লৌখৎখিবা ক্রিমিনেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## এম এল এ ইমোগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন

# বেলোট পেপরশিংগী কোপি লৌবদা হায় কোর্টনা য়াখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কুমজা ২০১৭কী মার্চতা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মায় পাক্লকখিবা এম এল এ আর কে ইমোগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৯ ওফ ২০২০গী জজমেন্টদা হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা শীজিন্ননবগীদমক এয়র মার্ক তৌখিবা অপূনবা পোষ্টেল বেলোটশিংগী মনুংদগী শীজিন্নখ্রবা, শীজিন্নহৌদবা পোষ্টেল বেলোটশিং য়াওনা মদুগী কাউন্টর ফোইলনচিংবা মরী লৈনবা পুম্নমক পিটিস্নর ওইরিবা ডা. কে ঐচ লোকেননা য়েংবদা অমসুং মদুগী সর্টিফাইদ কোপিশিং লৌবদা অয়াবা পীখ্রে।

পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোকপগা ইকান কান্নদনা ডা. কে ঐচ লোকেননা পিটিস্নর ওইদুনা এম এল এ আর কে ইমো অমসুং মীখল অদুদা মীরেপ ওইখিবা অতোপ্পা কেন্দিদেটশিংগগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৫ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ৰায়েল ঙসি ফাওবদা চথরক্লিঙৈগী মনুংদা পিটিস্নর ওইরিবা ডা. কে ঐচ লোকেনগী মায়কৈদগী আর কে ইমোনা পোষ্টেল বেলোটকী খূথাংদা ভোট ১৫৫ ফংখি হায়রিবা অদুগা মরী লৈননা হান্নসু হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৬ ওফ ২০১৮গা মরী লৈনবা সেদ্যুল্ড-২দা য়াওবা সেরিএল নম্বর ১৫দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পোষ্টেল বেলোটশিংগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংগী মতাংদা এম সী (ঈ পি) নম্বর ১৯ ওফ ২০২০ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্টগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯দা লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইনা য়াওশিনবগী মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনরুবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা থৌরম অমা এমসু, অমকিল অমসুং য়ু পি এফনা পুন্না শীন্দুনা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈবা এমসু ময়ায় লোয়শঙগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

খন্ন-নৈনবা অসিদা রিসোর্স পর্সন ওইখিবা রিমসকী বাইও ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর আর কে নরেন্দ্রনা হায়, মণিপুরনা মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীরবা মতুং কুমজা ১৯৫০-৫১গী মতমদগী মণিপুরদা মীশিং হেনগৎলকপদগী হৌজিকসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লম্লবা মতুং সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা নৈনবা চংই। মণিপুরগী জিওগ্রাফিকেল লোমদা য়েংলবসু ষ্টেট অসিদা চঙলক্লিবা মীওইশিং মশক খঙনবগী লো ওফ ফোরেন্নর পার্মিট সিষ্টম চৎনদুনা লাকই। মতমদুদা লৈরম্বা ফোরেন্নর পার্মিট অসিনা মণিপুরদা কয়াম কুইনা লৈগদবনো হায়বদুসু খঙলম্মী। অদুবু মতম অদুগী চীফ কম্মিস্নর হিমটনা পার্মিট অদু লৌথোকপদগী কুমজা ১৯৫১দা মণিপুরগী মীশিং খংহেন হেনগৎলকখি। মরম অসিনা হৌজিক্তি ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্তুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীদা চৈথেং ফংলে হায়খি।

লৈফম চিনবা হেনগৎলক্লে, খুনগী মমিংদা তোঙান্না থোনবা হেনগৎলক্লে। খুন মশীং হেনগৎলকপা হায়বসি মীশিং হেনগৎলকপগী খুদমনি। মতম অদুগী ফোরেন্নর পার্মিট সিষ্টম লৌথোকখিবগী চৈথেং অদুসু মায়োক্লরে। হৌজিক মণিপুরদা মীশিং হেনগৎলকপগী থেংনরিবা অসি সিষ্টম অনীদনি। অহানবা সিষ্টমনা ইন্টর্নেলগীনি অদুগা অনীশুবা সিষ্টমনা এক্সটর্নেলদগীনি। মহৌশাদগী লৈমিন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিংনা চীং অমসুং তমদা লৈমিন্নরকপদা মান্নদবা থাক অমদগী নুংশিনদবা লাকপসিনা তংদু লৈতাদবা থোকহল্লে। মসিদা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক মান্নবা থাক অমদা লাক্লবা মতমদা তংদু লৈতাবা ফীভম ওইহল্লক্কদৌরিবনি হায়খি।

রেকোর্দকী মতুংইন্না হৌজিক মীশিং য়াম্না হেনগৎলক্লিবশিংগী মনুংদা অকক্লবা ফুরুপ অনীগী মীওইশিং য়াওরি। মপূং ওইবা ফুরুপকী ওইনদি মশীং হন্থরে হায়বা য়াই। কুমজা ১৯৫১গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004
JAS-ANZ
An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital

RM/H-Adv/2021/11 POST VACANCY Date : 22nd Sept, 2021

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | Vacancy |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Customer Care Staff (Male) | Graduate or Equivalent | Fresher / Exp. in Hospitality Industry (Age Limit - 35 yrs) | 3 |

Interested candidate can submit their resume and all relevant documents along with 2 recent passport size photographs to the "HR Department".

Last date of documents submission : 25th Sept, 2021 Upto 02:00 pm

Date of Interview : 27th Sept, 2021

HL-B/7171/22
Website: www.rajmedicity.com
North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.

